# কোংগ্রেসনা লোক সভাদা রাফেলগী ৱাফম অমুক হন্না পুখৎলকখ্রে, মীনম্বা অমা হঞ্জি–হঞ্জিন ঙাংবনা অচুম্বা অমা ওইহনবা য়ারোহঃ রাজনাথ



**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩১ঃ** মৈ হৌনা শাওরবা কোংগ্রেসনা রাফেল ফাইটর লৈনবগী দিলদা শেঞ্জা–থুমজা তৌখি হায়বগী ৱাফম অদু লোক সভাদা ঙসি অমুকহন্না পুখৎলকখ্রে অমসুং মখোয়না পুখৎলক্লিবা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মীনম্বা অমা হঞ্জি–হঞ্জিন ঙাংবনা মদু অচুম্বা অমা ওইহনবা য়ারোই হায়না পাউখুম পীখ্রে।

হীরম অসি জোইন্ট পালিয়ামেন্টরি কমিটি (জে পি সি) অমনা থিজিনহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা দিসেম্বর ১১দা পালিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম হেক হৌবদগী রাফেল দিলগী ৱাফম কোংগ্রেস মেম্বরশিংনা পুখৎতুনা লাকখিবনি। ঙসি জিরো অৱার মনুংদা কোংগ্রেস মেম্বরশিংনা প্লেকার্দশিং পায়দুনা রাফেলগী মতাংদা খোল্লাওশিং লাওদুনা ৱেলদা থোমজিলকখি।

ৱাথোক অদু পুখৎলদুনা সিনিয়ার কংগ্রেস লিদর মাল্লিকার্জুন খরগেনা দিল অদুদা শেঞ্জা–থুমজাগী থৌদোক অমা চথখি হায়রদুনা জেটশিং অদুগী মমল গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোক্তবগী মরম করিনো হঙখি। বি জে পি মেম্বরশিংগী নাকনদগী অকনবা প্রোটেষ্ট মরক্তা মহাক্না ৱাথোক অদু জে পি সি অমনা থিজিলহন্নবগী দিমান্দ তৌখি।

মদুগী পাউখুমদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি চপ মান্নবা মীনম্বা অদু হঞ্জি–হঞ্জিন হায়বনা মদু অচুম্বা অমা ওহোকপা ঙম্লোই। হিরম অসিগী মতাংদা খন্নবা গভর্ণমেন্টনা থৌরাং তৌরি অদুবু কোংগ্রেসনা চেনখিবগী মরম করিনো হায়না মহাক্না হংখি। মতম অদুদা হাউসতা য়ু পি এ চিয়ার পাসন সোনিয়া গান্ধিসু লৈখি।

ওপোজিসন্না পালিয়ামেন্টকী মপান্দসু রাফেল দিলগী ৱাথোক অদু পুথোক্তুনা লাঙ্দুনা লৈখি।

হাউসতা এ আই এ দি এম কে অমসুং টি দি পিগী মেম্বরশিংনা তোঙান তোঙানবা অতৈ ৱাথোকশিং পুখৎতুনা খোল্লাও লাওখি। কাবেরি তুরেন মথক্তা দাম শাবা তোক্কদবনি হায়না এ আই এ দি এম কেনা দিমান্দ তৌখি। টি দি পিনা অন্ধ্র প্রদেসপু স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীনবা দিমান্দ তৌখি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরদা খুদোঙ থিনিংঙাই ওইরবা ফিভম অমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থবক তৌরি হায়বসি পি দি পি মেম্বর মুজাফর ঐচ বাইগনা মশানা য়াজরব ফাওবদা ষ্টেট অসিদা মীচম হাৎপগী চাং অঙকপা ফঙনা হেনগৎলকখ্রে হায়খি। পঞ্জাপকী মতাংদা সিরোমনি অকালিদল (এস এ দি)গী প্রেম সিংহ চান্দুমজ্রানা লো এন্দ ওর্দর লৈত্রে হায়না পুখৎলকখি।

কৌসালেন্দ্র কুমার (জে দি–য়ু)না চহি ৬০ মথক্কী মীওই পুন্নমক পেনসিন পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরকখি। বি জে পিগী রামা দেবীনা মাগী কন্সটিট্যুয়েন্সি সুয়োহরদা চু থাবা লৌমীশিংগী ফঙহনফম থোকপশিং ফঙহনবিদ্রে। মখোয়দা পীগদবা ৱাৎলিবা শেনফমশিং ফঙহন্নবা থবক লৌখৎনবা ৱাফম পুখৎলকখি।

ঝরখন্দদা অসামগী মানবা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্সগী থবক পায়খৎনবা বি জে পিগী নিসিকান্তা দিবেনা দিমান্দ তৌখি। ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা আইনগী ৱাংবদা চঙশিলকপা বাংলাদেশি ইমিগ্রেন্টশিংনা দেমোগ্রাফিক বেলেন্স কাইহল্লে হায়খি।

# বাংলাদেশতা শৈখ হসিনানা পাক্তক্লনা মায় পাকখ্রে ওপোজিসননা মীখল অমুক হন্না দিমান্দ তৌরি



**ধাকা, দিসেম্বর ৩১ঃ** বাংলাদেশতা ঙরাং পাংথোকখিবা মীখল অদু ভোত রেগিং তৌই অমসুং য়েঙথিনবা পার্টি মসেন খূৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ শিখি হায়না ওপোজিসননা থাজবা য়াবা মীখল নৎতে হায়জরবসু বাংলাদেশ প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনানা পাক্তক্লনা মায় পাকপগা লোয়ননা মরিরক শুবা টার্ম অমা ফঙবা ঙমখ্রে।

হসিনাগী লৈঙাক পায়রিবা অৱামি লিগ পার্টি অমসুং মসিগা চৎমিন্নবা খোঙবু পার্টিশিংনা সিট ৩০০ লৈবা পালিয়ামেন্টতা সিট ২৮৮ ফঙখ্রে। অমরোমদা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টিনা সুপ্নগী সিট ৬ খক ফঙলে হায়না ইলেক্সন কমিসন সেক্রেটরি হেলাল উদ্দিন অহমেদনা ফোঙদোকখ্রে।

বাংলাদেশ নেসনেল পার্টি (বে এন পি) না লূচিংবা এলায়েন্সনা হসিনাগী গভর্ণমেন্টনা ওপোজিসনগী মথক্তা অকনবা নমথবগী থবক চঠে হায়রদুনা মীখলগী ফলশিং চৎনহন্দনবা ইলেক্সন কমিসনদা অপিল তৌখি। হেক য়াবা মখৈ ঙন্না কনামতগী মীচঙদা লেপ্তবা গভর্ণমেন্ট অমগী মখাদা অনৌবা মীখল অমা পাংথোক্লবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি হায়না এলায়েন্স অদুবু লূচীংলিবা কমাল হুসেন্না পাউমীশিংদা হায়খি।

ভোত থাদবগী নুমিৎ অদুফাওবদা নুমিৎ খুদিংগী হীংশাগী থৌদোক অমসুং তমথিনা য়েঙথিনবগী থৌদোকশিং পীকথনখি। লৈবাকসিগী মফম পুন্নমক্তা আর্মি, পুলিস অমসুং অতৈ সেক্যুরিটি ফোর্সশিং পূন্না ট্রুব লাক্ষ ৬ চাইথোক্তুনা ওথোরিটিজনা অচেৎপা সেক্যুরিটি থমজিনখি।

অৱামি লিগ অমসুং বি এন পি শৌগৎপশিং খূৎ থোক্লবশিংদা মীওই ১৩ শিখি। পোলিং বুথশিং ঙাক্লিবনি হায়বা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৩ শিখি।

মশাগী চহি ৭১ শুরবী শৈখ হসিনবু মহাক্কী চহি ১০ লৈঙাক মতমদা লাইরবা লৈবাক অসিগী শেন–থুম চাওখৎনবা হোৎনৈ। য়ূমথঙনবা ম্যান্মরদা মিলিটরি ওপরেসন অমদগী লাঞ্জেন্নরকখিবা রোহিঞ্জা রিফ্যুজিশিং লৈহনবগীদমকসু থাগৎনৈ। অদুবু মাবু য়ানীংদবশিংনদি মাগী য়েঙথিনবা ওপোজিসন বি এন পি লূচীংবী খলেদা জিয়াবু শেঞ্জা–থুমজাগী মরালদা জেলদা চহি ১৭কী চৈরাক পীরিবসি য়াওনা ওপোজিসনগী মথক্তা নমথবা অমসুং সুপ্নম লৈঙাক্কীদমক মরান শীরি।

পালিয়ামেন্টকী সিট ৩০০গী মনুংদা ভোত পাংথোকখিবা সিট ২২১দা অরানবা কয়া তৌখি হায়না বি এন পি ৱাঙাংলোই সয়েট মোজেম হুসেন অলালনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। ভোতরশিংবু পোলীংবুথ মনূংদা চঙবা য়াহনখিদে। মরুওইনা নুপী ভোতরশিংবু হি য়েকপা সিঙ্গোলদা নমদুনা ভোত থাদহল্লি হায়খি।

# নেভি দাইভরশিংনা মেঘলয়া খোনী মনূংগী ঈশিংদা মাইনর ১৫ অদু থিননবা লূনা লুপথনবা হোৎনগদৌরি




**সিলোং, দিসেম্বর ৩১ঃ** মেঘলয়াগী ইষ্ট জয়নটিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ফুট ৩৭০ লূবা আইন্না য়াদবা কোইলা খোনী মনূংদগী থোক্লকপা ঙমদনা লৈখ্রবা মাইনর ১৫ কননবগী ওপরেসনদা নেভি দাইভরশিংনা ঈশিংনা থুল্লবা খোনী অদুগী মনূংদা লূনা লুপথদুনা থিরুনবগী থৌরাং অমা চঞ্চনবা হোৎনগদৌরি। অদুবু মাইনরশিং অদুগী মনূংদগী হিংহৌখিবা অমনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকপদা মনূংদা লৈখ্রবা মাইনরশিং অদু হিংনা থোক্লকপা য়াবগী ফিভম লৈতে হায়খ্রে।

ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকপদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা খোনী অদুগী মনূংদা কুমথখিবা নেভি দাইভরশিং অদুনা হিংহৌবশিং লৈরিব্রা হায়না ঈশিং থুমজিনখ্রবা খুদোঙ থিনিংঙাই ওইরবা খোনী অদুগী মনূংদা অমুক্কা হন্না কুমধগদৌরি।

নুমিৎ ১৫নি রোমগী মমাঙদা খোনী অদু ঈশিং থুমজিলকখিবদগী খজিংক্তদা নাম্বোকহৌখিবা মাইনর ৫গী মনূংদা অসামগী চিরাগ দিষ্ট্রিক্টতগী সাহিব অলি হায়রিবা অসিসু অমনি।

নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ), নেভি অমসুং ওরিষ্য ফয়ার সার্ভিসকী অপূনবা টিম অমনা রেস্ক্যু ওপরেসন অদু চথরি। কোল ইন্দিয়া লিমিটেদকী অচৌবা শক্তি লৈবা পম্পশিংসু খুদোঙথিবা থোক্লিবা মফমসিদা থুংলখ্রে। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতূংদা থঙনবদা লৈবা খোনীগী কাখল অমদগী ঈশিং চীংথোক্লবা হোৎনরগনি। অদুবু লোজিষ্টিক্সকী মরমদগী মদু থবক পাংথোক্লবা হোৎনবদা নুমিৎ নীনিরোমগী মতম চঙখিবা য়াই হায়না কোল ইন্দিয়াগী লিখুলশিংনা হায়রি।


অন্দর ৱাটর রিমোর্টলি ভেহিকল (য়ু দবলিয়ু আর ও ভি)শিজিননদুনা খোনী ফঙবাক্কী মখা লৈমাই অদু সরভে তৌনবা ইন্দিয়ান নেভিনা মরুওইবা কাখন অদুগী মনূংদা চঙশিনখ্রে।

ঙসি রেস্ক্যু ওপরেসন্সশিং অসি নেভি, এন দি আর এফ অমসুং ও এফ এস না অমগা অমগা তাথোক তাসিন তৌনদুনা থবক চথরি। টিম অসিনা গ্যাস–কটিঙ মেচিনশিং অমসুং রিকোভরি ভেননাচীংবা শক্তি লৈরবা ইক্যুপমেন্টকা লোয়ননা খোনী অদুগী মনূংদা চঙশিনখ্রে।

ঙসি নুংথিল পূং ৩ তাবদা খোনী অদুগী মনূংদা চঙশিনখিবা নেভি দাইভরশিং অদু নুংথিল পূং ৬ তাবদা থোক্লকখ্রে। মখোয়না খোনী মনূংগী কাখন অদু য়ান্না লূই অমসুং মম্মী, অদুগা থুল্লিবা ঈশিংগী ঈমাই ফুট ১৫০দা লৈ হায়না পাউদম্লকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

নেভি দাইভরশিংনা ঈশিং মনূংদা লূপ্পা ঙল্লিবসি ফুট ৯০ ফাওবা খক্তনি হায়রি।

# সাজন কুমার কোর্টতা সরেন্দর তৌখ্রে



**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩১ঃ** ইন্দিরা গান্ধীবু ১৯৮৪ ওক্টোবর ৩১দা মাগী সিখ বোদিগার্দশিংনা হাৎখিবা অদুগী মতূংদা দিল্লিদা সিখশিংগী ময়োক্তা চথরক্লিবা মীহাৎশিংদা মাগী খূৎ য়াওবগীদমক জেলদা মপূন্সি চুপ্পগী চৈরাক পীখ্রবা কংগ্রেস লূচীংবা সজন কুমার ঙসি দিল্লি কোর্ট অমদা লাক্তুনা সরেন্দর তৌরকখ্রে।

নুমিৎ ৪নিরোম হেন্না সিখশিংগী মথক্তা চথখিবা মীহাৎ অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩,০০০ শিখিবনি।

সাজন কুমারবু ইষ্ট দিল্লিদা লৈবা মন্দোরি জেলদা পুখ্রে। হান্নগী কংগ্রেস লূচীংবা অসি ১৯৮৪ নবেম্বর ১দা রাজ নগরদা ইমুং অমগী মীওই ৫ হাৎখিবা অমসুং গুরুদ্বরা অমা মৈ থাখিবগীদমক দিল্লি হায় কোর্টনা কনভিক্সন পীখিবনি। মতম অদুদা মহাক লমদম অদুগী এম পি অমনি।

মহাকপু থাদোকখিবা মমাঙগী কোর্ট ওর্দর অমা দেল্লি হায়কোর্টনা ককথৎখি। মহাক্না মঙোন্দা পীরিবা কনভিক্সন অমসুং পূন্সিচুপ্পগী চৈরাক অদু শীংনদুনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে। নীংথম থাগী ছুটি মতূং জনুৱারী ২দা মকোক থোঙবা কোর্ট অসিনা অমুক থোঙ হাংদোক্লবা মতূং হিয়ারিং চথরবা য়াই হায়না মহাক্কী লিখুলশিংনা ফোঙদোক্লি।

মশাগী চহি ৭৩ শুরবা সাজন কুমারবু দিসেম্বর ১৭তা জেলগী চৈরাক পীখিবনি। অমসুং দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনূংদা কোর্টতা সেরেন্দর তৌরক্লবা অরোইবা মতম থাখিবনি।

# রাহুল গান্ধীনা সোহরাবউদ্দিন প্রোব অদু কনানা হাৎখি হংগদবনিঃ অরুন জেতলি

**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩১ঃ** সোহরাবউদ্দিন কেসকী মতাংদা চপচানা কংগ্রেসতা ওনশিলদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেতলিনা ঙসি হায়খ্রে, মদুদি পার্টি প্রেসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হংবদা চানগদবা ৱাহংদি কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন অদু কনানা হাৎখিবনো হায়বসিনি।



সোহরাবউদ্দিন কেসতা চেন্নবা এক্যুজ পূন্নমক অদু সি বি আই কেসশিং পায়রিবা স্পিসিয়েল জজ অদুনা লোয়নমক থাদোকখ্রে। থাদোকপগী ওর্দর অদুদগী মরুওইরিবদি, হেক হৌবদগী ইনভেষ্টিগেসন অদু ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিনা ৱাথোক অদুগী অচুম্বা পুথোক্লবা মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌ পাংথোক্তুনা ইনভেষ্টিগেসন তৌখিদে। মদুগী মহুতা অকক্লবা পোলিটিকেলগী মীওইশিংদা ওনশিনদুনা থৈদোক্লবা হোৎনখি হায়বা জজ অদুগী ওবজাবেসন অদুনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

কোর্টকী ৱায়েল পীবা অদুদা কনামতনা সোহরাবউদ্দিন হাৎতে হায়বা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী পাউখুম পীরদুনা অরুন জেতলিনা হায়খি, সোহরাবউদ্দিন কেস ইনভেষ্টিগেসন কনানা হাৎখি হায়বা অচুম্বা ৱাহং অসি ওইনা মহাক্না হংলম্বা তারবদি হেন্না চান্নরমগদবনি অমসুং মহাক্না অচুম্বা পাউখুম অদু ফঙলমগদবনি।

সোহরাবউদ্দিন ইনভেষ্টিগেসন কনানা হাৎখি হায়না মিংথোনবা অরুন জেতলিগী ফেষ্টবুক পোষ্টতা অসুন্না হায়খি, ইন্সটিট্যুসনেল ইন্দিপেন্দন্সকীদমক হন্দক্তা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবশিং অদুনা শক্তি পায়রিঙৈদা মখোয়না সি বি আইদা করি তৌখি হায়না হকচিন্না খন্থগদবনি। থা অসিগী অঙনবদা স্পিসিয়েল সি বি আই কোর্টনা কেস অসিগী এক্যুজ ২২ অদু লোয়নমক মরান লৈতে হায়না থাদোকখিবনি।

# রাহুল গান্ধী ইকাইখঙদবা মীনম্বা ঙাংবা অমনি

**অহমেদাবাদ, দিসেম্বর ৩১ঃ** গুজরাততা পাংথোক্কদৌরিবা ভাইব্রেন্ট গুজরাত সমিট ২০১৯গী মতাংদা য়ানীংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগীদমক রাহুল গান্ধীগী মথক্তা গুজারত চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপনিনা অকনবা ৱাহৈদা চৈখ্রে। মহাক্না কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীবু ষ্টেট অসি কাং–খোঙ চাইবা উনীংবা খাংঙমদব্রা ইকাইখঙদবা মীনম্বা ঙাংবা মীওই অমনি হায়খ্রে।

গুজরাতকী মীয়ান্না ষ্টেট অসিবু মীষ্টর গান্ধীনা তুকৎচরিবা অদু খঙই অমসুং মরম অদুনা মখা তানা কংগ্রেসপু ষ্টেট অসিগী মীয়ান্না কাওথোক্তুনা থল্লিবনি অমসুং মসি মখা অদুম চথখিগনি হায়না রুপানিনা হায়খি।

নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাংবন লৌবা থৌরমদা স্পোনসরশিং মখা তানা য়াবা পামদ্রে হায়না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা রাহুল গান্ধীনা হায়খিবনি।

# রসিয়ান আর্মিনা অনৌবা মিসাইল কমপ্লেক্স ফঙলগনি



**মোস্কো দিসেম্বর ৩১ঃ** রসিয়ানা মখোয়গী চহি য়াম্লবা এস–৩০০ সিষ্টেম মহুৎ শিন্দোক্লবগী মতম কুইনদগী মমাঙদগী থৌরাং তৌরকখিবা খোঙথাং অমদা অতেনবা রেঞ্জদগী ময়াইওইরপ্পা রেঞ্জ ফাওবগী লৈমাইদগী নোংথক্তা কাপখৎপা দিফেন্স মিসাইল কমপ্লেক্স ন্যু জেনরেসন এস–৩৫০ ভিটয়াজ মথঙ চহি ২০১৯দগী শিজিনরগনি হায়না রসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ানা ২০১৪দা য়ুক্রেনদগী লৌশিনখিবা কৃমিয়া অমসুং আর্কটিক রিজন, বেলটিক সিদা লৈরিবা কালিনিনগ্রেদ এক্সক্লেপ অমসুং খ্বাইদগী নোংপোক থঙবা খবারোবস্কট রসিয়ান মিলিটরিনা ২০১৮দা পান্টসির–এস অমসুং এস–৪০০ কমপ্লেক্সশিং থমখ্রে।

হৌখিবা চহি খরসিদা রসিয়ানা মপান লৈবাক্তা মখোয়গী মিলিটরিগী মশোঙ ফনগৎখি। সিরিয়াগী লানদা মখোয়না য়াওবা অমসুং য়ুক্রেনগী মতাংদা নোংচুপ লৈবাকশিংদা মির ফৎনখিদে। তোঙানবা হেন্না শাংবা রেঞ্জগী মিসাল সিষ্টেম অমগী মতাংদা য়েৎনবা অমদা ৱাসিংতননা রসিয়াগী অনৌবা মিসাইল পুথোক্তুনা য়ানোরোল থুগাইরে হায়দুনা ১৯৮৭ ইন্টরমেদিয়েত রেঞ্জ ন্যুক্লিয়ার ট্রিটি (আই এন এফ)তগী তোক্লগনি হায়না কিহনখি।

ৱাসিংতানা পল্লিবা রসিয়াগী অনৌবা মিসাইল হায়রিবদু নোভাতর ৯ এম ৭২৯ (নেটোনা এস এস সি–৮ হায়না কৌরিবা) অসিনি শিঙথানিঙাই ওইরিবা আর্ম কন্ট্রোল ট্রিটি অমনা লৈবাক অনীমকপু য়ুরোপতা অতেনবা অমসুং ময়াই ওইরপ শানবা, কংফালদা থম্বা মিসাইলশিং থম্বদগী অথিংবা থম্মি।

অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখোয়গী অনৌবা মিসাইলশিং পুথোকপা য়ানবা ট্রিটি অসিদগী তোক্লবা মিনম্বা ৱাফম অমা পুথোই হায়না রসিয়ানা মরান শীরি।

প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মহাক্কী লৈবাক্না হৌজিক অনৌবা মখলগী লানগী ওইবা খূৎলাই অমা লৈরে হায়রদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা মথঙ চহিদগী হায়পরসোনিক ন্যুক্লিয়ার কেপেবল মিসাইলশিংগী অহানবা রেজিমেন্ট অদু লৈবাক অসিনা শিজিনরগনি হায়খি।

# সিসিটিভি ফুটেজনা জমাল কাশোগ্গিগী হকচাং কয়াৎশিং মীওই ৩না পুবা উৎলি

**অঙ্কারা, দিসেম্বর ৩১ঃ** হাৎখ্রবা সাউদি জর্নেলিষ্ট জমাল কাশোগ্গিগী হকচাং কয়াৎশিং য়াওবনি হায়বা বেকশিং অমসুং কেসশিং পুবা মীওইশিং উৎপা সিসিটিভি ফুটেজ অমা টরকিশ টেলিভিজন ষ্টেসন অমনা ব্রোদকাষ্ট তৌরকখ্রে।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা টেলিভিজনদা উৎলিকখিবা ইমেজশিং অদুদা সুদকেস ৫ অমসুং অচৌবা অমুবা বেক ২ পুবা মীওই ৩না ষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোনসুল জেনরেলগী য়ুমদা চঙখিবা উৎলি। য়ুম অদু ওক্টোবর ২দা জমাল কাশোগ্গিবু হাৎখিবা সাউদি কোন্সুলেদ অদুদগী অনকপা মফম অমদা লৈবনি।

মমিং মথা পন্দবা টরকিশ লিখুনগী ৱাফম পল্লদুনা এ হাবেরনা জর্নেলিষ্ট অদুগী মচেৎ মচেৎ ককথৎলবা হকচাং বেকশিং অমসুং কেসশিং অদুদা য়াওই হায়খি।

রিয়াধনা রোগওপরেসন অমনি হায়না কৌরিবা অদুদা সাউদি অরাবিয়াগী কোসুলেদ অদুগী মনূদা কাশোগ্গিনা হেক চঙখিবগা থুনমক হাৎখিবনি। মহাক হাসিংটন পোষ্টতা ইবা পাউমী অমনি।

মশাগী চহি ৫৯ শুরবা হান্নগী সাউদি ইনসাইদরদগী ক্রিটিক ওলকখিবা অসিবু হাৎননবগীদমক ইষ্টানবুলদা থারকখিবা সাউদি ১৫গী টিম অমনা মচেৎ মচেৎ ককথৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মখৌরি মেৎলগা হাৎখিবনি হায়না টরকিশ ওফিসেয়েলশিংনা ফোঙদোকখি।

মেদিয়াগী পাউশিংদা পাউমী অসিগী হকচাং শরুকশিং অদু এসিদতা তুমহনখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লরকখি।

# রসিয়াগী অৱাংবা বিল্ডিংদা গ্যাস পোকখাইবদা মীওই ৪ শিখ্রে কয়াঅমা থিবা খঙদ্রি



**মোস্কো, দিসেম্বর ৩১ঃ** ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা অৱাংবা মী লৈনবা বিল্ডিং অমদা গ্যাস পোকখাইবগী থৌদোক অমদা মীওই ৪ শিখ্রে অমসুং মীওই ৭০ রোম থিবা খঙদ্রি।

মোস্কোগী নোংপোক্তগী কিলোমিটর ১৭০০ লোম লাপ্পা মেগ্নিটোগোরস্ক কৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েল সিটি অদুগী অৱাংবা বিল্ডিংদা ঙসি অয়ুক পূং ৬ লোম তাবদা গ্যাস পোকখাইবদা বিল্ডিং অদুগী পাকচাউরবা শরুক অমা নীংখাইখ্রে।

মাইনস ১৮ সেলসিয়স য়ৌনা ঈংলবা টেম্পরেচরদা মীওই চা কয়া লৈফম লৈহনখিদ্রে। চপচানা মীওই ৪ শিরে হায়বা খঙলে, অঙাং ৪ য়াওনা ৪ হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে। অঙাং ৭ য়াওনা মীওই ১৬ মফম অদুদগী লৌথোকহৌরে। মীওই ২৮গী লৈফম খঙবা ঙমলে অদুবু অতোপ্পা মীওই ৭০ রোমদি মরাইবক তম্বা ঙমদ্রি।

বিল্ডিং অদুগী অতেক–অকাই মরক্তা মীওই ৫০রোম ননসিন্দুনা লৈরম্বা য়াই হায়না নেসনেল টেলিভিজননা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াদা চহি অসিগী খ্বাইদগী চাওবা হোলিদে ওইরিবা ন্যু ইয়ারগী নুমিদাংদা লমদম অসিগী টেম্পেরেচর অসি মাইনস ২৩ সেলসিয়স য়ৌনা হন্থখিবা য়াই হায়রি।

সনা–সুদোকু –১৩৭৮ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 7 | 5 | 4 | 2 | 1 | 8 | 9 |
| 5 | 9 | 8 | 6 | 1 | 7 | 3 | 2 | 4 |
| 2 | 1 | 4 | 8 | 3 | 9 | 5 | 7 | 6 |
| 7 | 8 | 3 | 2 | 6 | 4 | 9 | 5 | 1 |
| 6 | 4 | 9 | 1 | 8 | 5 | 7 | 3 | 2 |
| 1 | 5 | 2 | 9 | 7 | 3 | 6 | 4 | 8 |
| 4 | 3 | 6 | 7 | 2 | 1 | 8 | 9 | 5 |
| 9 | 7 | 1 | 4 | 5 | 8 | 2 | 6 | 3 |
| 8 | 2 | 5 | 3 | 9 | 6 | 4 | 1 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | | 6 | | | 3 | 7 |
| 6 | 3 | 5 | | | 9 | | | |
| | | 7 | 2 | | 8 | 9 | | |
| | 8 | 2 | 6 | | | | | 3 |
| 9 | | | 3 | | | 6 | | 2 |
| 3 | | | | 9 | | | | 8 |
| 2 | 1 | | | | 6 | | | |
| | | | | | 3 | 8 | 6 | |
| 7 | | | | 1 | | | | 9 |


/URGENTLY WANTED

| POST | VACANCY | PREFER | SALARY |
|---|---|---|---|
| Helper/Nannies | 50 | Meitei / Tribal | 3500-5500 |

Contact no. : 9862780781 & 8416065510

Time : 10:00 a.m. - 4:00 p.m.


**GAS TODAY**

**Ereicha Indane, Lilong**
Booking upto : 18/12/18
Valid from : 01/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking upto : 26/10/18
Valid from : 13/10/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m.
Delivery on 02/01/19